# চাইনানা মখোয়দগী হেন্না থাঙ্গৎপা ঙম্বা লৈরোই হায়বা ৱাখল্লোন থুগায়দুনা গোল্ড লৌবা পাম্মী : মিরাবাই




ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):
হন্দক্তা এসিয়ন ৱেথ লিফটিং চেম্পিয়নশিপতা ক্লিন এন্দ জর্কতা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখ্রবী সাইখোম মিরাবাই চনুনা ফোঙদোকখিবদা, চাইনাগী ৱেথ লিফটরশিংগী ৱাখলদা মখোয়দগী হেন্না থাঙ্গৎপা ঙম্বা লিফটর লৈতে হায়বা ৱাখল্লোন অদু থুগায়দুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা গোল্ড মেদল লৌবা পাম্মী হায়খ্রে।

ৱাফম অসি মিরাবাই চনুনা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা পাউগী এজেন্সী অমগা ৱারী শানবদা ফোঙদোকখিবনি। ওলিম্পিক গেমসতা মহাক সিলভর মেদল পামদে, গোল্ড পাম্মী হায়না ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙম্লবী মমাংদসু ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ফাওবা ওইরম্লবী সাইখোম মিরাবাইনা মখা তানা ফোঙদোরকখি। মদুগীদমক্তা চাইনাদগী হেন্নবগীদতমক্তা মহাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরি হায়খি।

কিলোগ্রাম ৪৯গী কেটগোরিদা নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী ওলিম্পিক শরুক য়াররোই হায়না মাংজৌননা ফোঙদোরকখিবদগী চাইনা অমসুং মিরাবাইগী মরক্তা গোল্ড মেদল মুন্নগদৌরিবনি। হৌজিক-হৌজিক চাইনাগী মায়কৈদগী লিফটর অনীনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফায়িং রেঙ্কিংদা হেন্দুনা লৈরি। হায়রিবা ৱেথ লিফটর অনীমক্না মিরাবাইদগী হন্দক্তা লোইশিনখিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড অমসুং সিলভর ফংলগা মিরাবাইনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌবনি।

মিরাবাইনা ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ১১৯ থাঙ্গৎতুনা চাইনাগী ৱেথ লিফটর অনী অদুদগী হেল্লগা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখি। অদুবু চাইনাগী মায়কৈদগী স্নেটচতা হৌ জি হুইনা কিলোগ্রাম ৯৬ থাঙ্গৎলগা ক্লিন এন্দ জর্কতনা কিলোগ্রাম ১১৭ থাঙ্গৎপদগী পূন্না কিলোগ্রাম ২১৩দা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমসু থমখি।

মিরাবাইনা স্নেটচতা শুপ্নগী কিলোগ্রাম ৮৬ খক থাঙ্গৎতুনা অপূনবা ৱেথ ২০৫দা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। মিরাবাই চনুগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা স্নেটচতা মহাক্কী লেংজুমদা অশোকপা লৈখিবা মরম্না থাঙ্গৎপদা কনফিদেন্স খরা ৱাৎখি। অদুবু ক্লিন এন্দ জর্কতদি মহাকপু লম্বা পীনবা লিফটর মশীং লৈরক্তবনি।

মশাগী চহী ২৬ শুরবী মিরাবাইনা মখা তাখিবদা, চাইনাগী জি হুইনা স্নেটচতা কিলোগ্রাম ৯৬ থাঙ্গৎপা অদু মঙোন্দগী কিলো ১০ হেনখিবা মরম্না মদু মান্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি। দোক্টর অরোন হোর্চিগকী মখাদা ট্রেনিং ফংবনা মঙোন্দা য়াম্না কান্নবা ফংদুনা লাকখি হায়রি।

# য়ুথ ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী বেবীরোজিসনা অমসুং সনামচা তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫ (ঐচএনএস):
পোলেন্দদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা য়ুথ ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী বেবীরোজিসনা চনু অমদি সনামচা চনু থোকচোম ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবদা মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে।

নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবা মণিপুরদগী হৌখিবী বোক্সিংগী শান্নরোয় অনী অদু মীয়াম্না লৈ পরেং হুক্কুনা পূক্নিং থৌগৎপা উৎখিবগা লোয়ননা তরাম্না ওকখিবনি।

কিলোগ্রাম ৫১গী কেটগোরিদা সনাগী মেদল লৌরকখ্রবী নাওরেম বেবীরোজিসনা চনু মশাগী চহী ১৮ শুরে। মহাক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সন্সাম মমাং লৈকাইদা লৈবা নাওরেম রোবিন্দ্রো অমসুং নাওরেম সনাজাওবী অনীগী মচানুপীনি। মহাক হৌজিক-হৌজিক বি এ অহানবা সেমিষ্টরদা তম্লিবী মহৈরোয়নি। কিলোগ্রাম ৭৫গী কেটগোরিদা সনাগী মেদল লৌরকখ্রবী সনামচা চনু থোকচোম (১৮) খোংজোম চিংথাম মনিং লৈকাইদগী থোকচোম সনাতোম্বা অমসুং থোকচোম বিমোলা অনীগী মচানি। মহাকসু হৌজিক-হৌজিক বিএ অহানবা সেমিষ্টরদা মহৈ তম্লিবী মহৈরোয় অমনি।

মখোয় অনীমক থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনদা অহানবগী ওইনা ট্রেনিং ফংদুনা বোক্সিংগী লম্‌দা খোঙদারকখিবনি। মদুগী মতুং হৌজিক্না নেসনল গেম ভিলেজদা লৈবা মেরি কোম বোক্সিং একাদেমিদা ট্রেনিং তৌরি। মখোয় অনীনা সনাগী মেদল ফংদুনা মণিপুরগী মমিং মালেমদা শক্তাকখিবা অদুগীদমক লাকখিবা মীওইশিং অদুনা থাগৎ ৱাহৈ কয়া ফোঙদোক্লখি।

ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলরবা মতুং হৌজিক-হৌজিক মখোয় অনীনা ট্রেনিং তৌরিবা মেরি কোম বোক্সিং একাদেমিনসু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। মখোয় অনী পোলেন্দগী ঙসি অয়ূক দেল্লীদা থুংলরবা মতুং দেল্লীদগী ইম্ফাল তম্না মণিপুরদা লাকখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, নাওরেম বেবীরোজিসনা চনুনা ফ্লাই ৱেথ কেটগোরি (কেজি ৫১)গী ফাইনেল বাউটতা টাইটল ফংগনি হায়না চাওনা রসিয়াগী টিমনা থাজনখিবী ভেলেরিয়া লিনকোভাবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংখিবনি। জজ মঙাগী মনুংদা ৫মক্না বেবীরোজিসনাগী মায়কৈদা পোইন্টশিং অদু হেন্না পীখিবদগী ৫-০দা থোইখি। অমরোমদা, থোকচোম সনামচা চনুনা মিদ্দল ৱেথ (কেজি ৭৫)গী ফাইনেলদা কজাখষ্টানগী দানা দিদেগা লম্বা তৌনবদা জজ ৫গী মনুংদা ৩না সনামচাদা পোইন্ট হেন্না পীখি। অদুগা ২না দানাদা পীদুনা ৩-২দা মায় পাকখি।

# মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মপূশিংনা ক্লব অদু পাউন্দ বিলিয়ন ৪দা য়োন্নবা শিল্লি : রিপোর্ট

লন্দন, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):
মালেমগী মমিং লৈরবা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মপূশিংনা ক্লব অদু য়োনবা মতমদা বৃটিশ পাউন্দ বিলিয়ন ৪ (য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ৫.৫৫)দা মমল লেপ্লে হায়না মমিং লৈরবা পাউচে আইরিস মিররগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অদুগী রিপোর্টনা মখা তারদুনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মপূ ওইরিবা মচিন-মনাও জোইল গ্লেজর অমসুং আব্রম গ্লেজরনা ক্লব অদু চল্লাইদুনা লাকখিবনি। লোয়ননা ক্লব অদু অতোপ্পা লূপ নৎত্রগা ইনভেষ্টরশিংনা লৈবা মতমদা মমল বৃটিশ পাউন্দ বিলিয়ন ৪ লেপ্লে হায়না ফোঙদোরকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ৱাহৈ অমত্তা হায়রকপা লৈত্রি। শগোলশেন নুমীৎতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মশীং য়ামদবা ভাবোক খরনা ক্লব অদুগী ট্রেনিং গ্রাউন্দ মমাংদা প্রোটেষ্ট তৌদুনা য়ুরোপিয়ন সুপর লীগ হায়না মিংথোনবা ক্লব ১২গী অনৌবা ভেঞ্চর অমা শেম্লকপদা গ্লেজর মচিন-মনাওগী থৌওংশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ইংলেন্দগী প্রেমিয়র লীগ ক্লব ৬কী মনুংদা য়ুরোপিয়ন সুপর লীগ অসি য়াওননবা খূৎয়েক পীবদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদসু য়াওখিবনি। অদুবু বৃটিশ লৈঙাক, শান্নরোয়শিং অমদি ভাবোকশিংগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা মওংদা য়ুরোপিয়ন সুপর লীগ অসিদা য়াওদনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা য়ুরোপিয়ন সুপর লীগতগী ৱিদ্রো তৌখি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী কো চেয়রমেন ওইরিবা জোইল গ্লেজরনা ভাবোকশিংদা ইংলিশকী ফুটবোলদা কুপ্না খন্থহৌদবনি হায়না ঙাকপীনবা ফোঙদোকখি। নীংশিংবা য়াই, মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব অসি কুমজা ২০০৫দা য়ু এস এগী গ্লেজর মচিন-মনাওনা বৃটিশ পাউন্দ মিলিয়ন ৭৯০দা লৈখিবনি। মরক অসিদা ক্লব অসিগী এগজিক্যুটিভ ভাইস চেয়রমেন এদ ৱুদৱার্দ চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা ফম থাদোক্লগনি হায়রি।

# ইন্দিয়াগী ভিদিট অমসুং নোরৱেগী কার্লসন দ্রো চৎখ্রে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):
ওনলাইনদা পাঙথোকপা চেছ ক্লাসিক রেপিদ টুর্নামেন্টকী মঙাশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ভিদিট গুজরাথিনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা নোরৱেগী মেগনস কার্লসনগা শান্নবদা দ্রো চৎখ্রে। অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকপা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা গ্রান্দমাষ্টর আর প্রগনন্ধনা পোলেন্দ অমসুং রসিয়াগী শান্নরোয় অনী থোইখ্রে।

ভিদিট গুজরাথিনা নোরৱেগী অরিয়ান টারিগা শান্নবদসু দ্রো চৎখি। লোয়ননা মেগনস কার্লসনগসু দ্রো চৎখিবনি। মেটচ অনী অদুগী মরক্তা ভিদিট গুজরাথিনা নোরৱেগী অতোপ্পা শান্নরোয় জোহার সেবেষ্টিয়ন খৃষ্টিয়ন সেনবু মায়থীবা পীখি। লোয়ননা মঙাশুবা রাউন্দ অদুদা ভিদিট গুজরাথিনা য়ু এস এগী মমিং লৈরবা গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নাকামুরাগা দ্রো চৎতুনা হৌজিক ফাওবদা ভিদিট গুজরাথি রাউন্দ অমত্তা মায়থীবা নংদনা লৈরি। অদুবু দ্রো ৪ চৎখিবা অমদি রাউন্দ ১ মায় পাকপা অদুনা পোইন্ট ২ ফংদুনা প্রগনন্ধগা পোইন্ট মান্নদুনা ৪শুবদা লৈরি। প্রগনন্ধনা অহানবা রাউন্দদা পোলেন্দগী জান খৃষ্টোব দুদাবু মায়থীবা পীখি। অনীশুবা গেমদা ইংলেন্দগী গৱনজোন্সগা দ্রো চৎখি। অহুমশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী ৱেস্লি সোগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি। মরিশুবা রাউন্দদা অজরবৈজানগী সাখ্রিয়ার মামেদ্যারোপকা দ্রো চৎখি লোয়ননা মঙাশুবা রাউন্দদা মহাক্না রসিয়াগী সর্গৈ কর্জাকিনবু মায়থীবা পীদুনা মহাকসু পোইন্ট ৩ ফংলি। টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা অজরবৈজানগী তৈমুর রাদজাবোবনা পোইন্ট ৪ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। ইরানগী অলিরিজা অমসুং কার্লসন পোইন্ট ৩.৫ দা অনীশুবদা লৈরি।

# টোকিও ওলিম্পিককী মরাইবক মেদিকেল এক্সপর্টশিংনা লেপকদবনি : আই ও সী ওফিসল



লোজেন, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি (আই ও সী) এথলিটস কম্মিসনগী মকোক থোংবা মেম্বর অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মালেমগী স্পোর্টসকী গভর্নিং বোদিং ওইরিবা আই ও সীনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপা নৎত্রগা পাঙথোক্লোইদ্রা হায়বগী মতাংদা ৱারেপ লৌফম থোক্তে। মদুগী ৱারেপ অদু মেদিকেল এক্সপর্টশিংদা শিন্নগদবনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

ৱাফম অসি কনাদিয়ন ব্রোদকাষ্টিং কোর্পোরেসনগা ৱারী শানবা অমদা আই ও সী এথলিটস কম্মিসনগী মকোক থোংবা মেম্বর অমা ওইরিবা ওলিম্পিক আইস হোক্কীগী গোল্ড মেদল ৪রক ফংবা ঙমখ্রবা কানাদা মচা হেলি ৱিকেনহাইজরনা ফোঙদোকখিবনি।

ওলিম্পিক পাঙথোকপা নৎত্রগা পাঙথোক্তবগী মতাংদা মেদিকেল অমদি হেল্থ এক্সপর্টশিংনা ৱারেপ লৌগদবনি। কোর্পোরেট নৎত্রগা বিজিনেসকী অচৌবা লূপশিংনা ৱারেপ লৌফম থোক্তে হায়খি। করিগুম্বা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপা তারবদি য়াম্না মরিক চুম্বা অমদি মনুং-মপান খঙমিন্নবা য়াবা এক্সপ্লেনেসন পীগদবনি হায়রি।

পনবা য়াই, কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস মশীং খংহেন হেনগৎলকপদগী জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদেনা টোকিও য়াওনা ওসাকা, হ্যোগো অমসুং ক্যোটোদা ইমর্জেন্সি লাউথোকপা লৈখ্রবনি। হায়রিবা ইমর্জেন্সি অসি মথং থাগী ১১ ফাওবা লৈগনি। অদুগা মখা তানা ফীভম য়েংলগা শাংদোকপা নৎত্রগা তেনশিনবগী ৱারেপ লৌগদৌরি।

# কে এস এল টি এনা কোচ অমদি একাদেমিশিংদা কোভিদ-১৯গী এদভাইজরি পীখ্রে

বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):
কর্নাটাকা ষ্টেট লোন টেন্নিস এসোসিএসন (কে এস এল টি এ)না ঙসি ষ্টেট অদুদা লৈরিবা টেন্নিসকী কোচশিং অমদি একাদেমিশিংদা হয়েংদগী হৌরগা চয়োল ২ চুপ্না কোভিদ-১৯গী এদভাইজরি পীদুনা থবক থৌরম পূম্নমক লেপ্নবা খঙহনখ্রে।

এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী পীরকখিবা এদভাইজরি অদুগী মতুংইন্না ষ্টেট অদুদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস মশীং খংহেন হেনগৎলকপা অমদি ষ্টেট অদুদা লৈরিবা ফীভম অদুগী য়েংলগা কোচশিং, কোচিং সেন্টরশিং অমদি টেন্নিস একাদেমিশিংদা কোচিং অমদি মদুগা মরী লৈনবা থবক থৌরম পূম্নমক লেপকদবনি হায়খি। এপ্রিল ২৬তগী হৌরগা মে ৯ ফাওবা অহৌবা চয়োল অনীগী ওইবা অথিংবা অসি থম্লবা মতুং ষ্টেট অদুগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অদুগী মতুংইন্না অথিংবা অদু লৌথোকপা নৎত্রগা মখা তানা চথবগী ৱারেপ অমুক নৌনা লৌরক্কনি হায়রি।

কোচশিং, শান্নরোয়শিং, সপোর্ট ষ্টাফশিং অমদি মখোয়-মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংবু নাদনা হকচাং ফনা লৈহন্নবগী পান্দমদা এদভাইজরি অসি পীখিবনি হায়না কে এস এল টি এগী জেইন্ট সেক্রেটরি সুনিল য়েজমননা থোকখিবা এদভাইজরি অদুদা খঙহনখি। মরী লৈনবা খূদিংমক্না এদভাইজরি অদুগী কাঙলোন চুম্না ইনগদবনি। লোয়ননা কোভিদ-১৯ শন্দোকপা থিংনবা হোৎনবদা পূম্নমক্কী মায়কৈদগী মতেংসু পীবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টিনা বেলারুসকী এরিনা সভালেনকা থোইদুনা পোর্সে টেন্নিস গ্রান্দ প্রিগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে




ষ্টুটগার্ট, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):
জর্মনিগী সিটি ষ্টুটগার্টতা লৈবা পোর্সে এরেনাদা থা অসিগী ১৯দগী হৌরকখিবা ষ্টুটগার্ট ওপন হায়নসু খঙনবা য়ু এস দোল্লর ৫৬৫,৫৩০গী শেলগী মনা লৈবা পোর্সে টেন্নিস গ্রান্দ প্রি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টিনা বেলারুসকী এরিনা সভালেনকাবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

৪৩রকশুবা ষ্টুটগার্ট ওপন টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বেলদা নম্বর ৱান শান্নরোয় এস্লি বার্টিনা অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা ২শুবা রাউন্দদগী শান্নবা হৌখি। মহাক্না অনীশুবা রাউন্দ অদুদা জর্মনিগী এল সিজমুনবু ৬-০, ৭-৫দা থোইরমখি। মখা তারকপা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিককী কেটারিনা প্লিস্কোভাবু ২-৬, ৬-১, ৭-৫দা মায়থীবা পীখি। লোয়ননা সেমীফাইনেলদনা মরিশুবা সিদেদ শান্নরোয় য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাবু ৪-৬, ৭-৬ (৭-৫), ৬-২দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

এস্লি বার্টিগা ফাইনেলদা লম্বা তৌখিবী বেলারুসকী টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ এরিনা সভালেনকানা মহাক্কী ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বেলদা অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী সৈ ঝাংগা লম্বা তৌনবদা ইকোম কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-২, ৬-২দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী এ এল ফ্রৈদসামবু ৬-৪, ৬-২দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা লাটভিয়াগী এ কোস্টাভেকপু ৭-৫, ৪-৬, ৬-১দা থোইরগা সেমীফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ২ ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপকা লম্বা তৌনবদা মেটচ অদুসু কা-হেন্না প্রেসর পীরক্তবদগী ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইবা ঙমখি। অহানবা সেট ৬-৩দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা ৬-২দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

ফাইনেলগী অহানবা সেট অদু বেলারুসকী এরিনা সভালেনকানা বার্টিগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইরগা মাঙজিল থাখি। অদুবু ২শুবা সেটতা এস্লি বার্টিগী মায়কৈদগী মহাক্কী মশান্নদা অহেনবা ফজবা কয়া উৎপা ঙমখিবদগী সভালেনকাগী সর্ভিস গেম অহুম্মক ব্রেক তৌরগা অমদি মহাক মশামক্কী সর্ভিস গেম অদু হোল্ড তৌবা ঙমদুনা ৬-০দা থোইরগা ৩শুবা সেট অদুসু ৬-৩দা থোইখি।

# টাস্কেন্টকী ফেন্সিং ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকীদমক ইন্দিয়াগী টিম খোঙশানখ্রে



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):
উজবেকিষ্টানগী কোনুং টাস্কেন্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ফেন্সিং ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারুনবা ইন্দিয়াগী টিম ঙরাং অথেংবদা খোঙশানখ্রে।

ঙসিদগী হৌরগা হয়েং ফাওবা চত্থগদবা এসিয়ন ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না ওলিম্পিককী ক্বোটা ৬কীদমক্তা তোঙান-তোঙানবা এসিয়া লৈবাক্কী ফেন্সরশিংনা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী ওইনা নুপীগী সেবর ইভেন্টতা ভৱানি দেবীনা হৌজিক ফাওবদা ওলিম্পিককীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙম্লবা অমত্তা ঙাইরবা ফেন্সর ওইরি। মণিপুরগী থোকচোম বিক্কিনা ফোইল, লোয়ননা সুনিল কুমারনা ইপিদা অমসুং করননা সেবরদা শরুক য়াগদৌরি। নুপীগীদা কবিতানা ইপি অমসুং রাধিয়ানা ফোইলদা শরুক য়াগেদৌরি।

# অল রায়নগা শান্নবদা থোইনবা হোৎনদুনা নোকআউট রাউন্দ য়ৌবগী অচৌবা মঙলান অমা এফ সী গোৱানা মঙলি



মারগাও, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী ফুটবোল পুৱারীদা অহানবা টিম অমা ওইনা এসিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী হয়েং কটারগী ক্লব অল রায়নগা শান্নগদবা মেটচ অদুদা মায় পাক্কুনা নোকআউট রাউন্দ য়ৌবগী অচৌবা মঙলান অমা এফ সী গোৱানা মঙলি।

পনবা য়াবদি, গ্রুপ ঈগী ওইনা টিম ৪গী লম্বা অসিদা ইন্দিয়াগী টিমনা অহানবা শান্নখিবা মেটচ অনী দ্রো চৎলবা মতুং হৌখিবা সিজনদা লীগ অসিগী রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রবা ইরানগী ক্লব পর্সেপোলিসকী মখূৎতা পাঙ্গল ১-২দা অহানবা টাই অদু মায়থীরবা মতুং অনীশুবা টাই অদুদা ০-৪দা মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ২ ফংলগা ৩শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

অমরোমদা, অল রায়নগী টিম অসি মমাংদা শান্নখিবা মেটচশিং অদুদা ফজবা ঙমখিদবদগী মখা তাবা রাউন্দ চঙবগী লম্বেল লোইশিনখি। করিগুম্বা গোৱানা গ্রুপ ঈগী মখা তাবা মেটচ অনীদা মায় পাক্কুনা ফজবা ঙম্লবদি এসিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ অসিগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল নোকআউট রাউন্দ য়ৌবগী লম্বেল অমা লৈরি।

এফ সী গোৱানা কুমজা ২০১৯-২০ ইন্দিয়ন সুপর লীগকী লীগ ৱিন্নর ওইখিবদগী এসিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ অসিদা ক্বালিফাই ওইরকপনি। ইরানগী পর্সেপোলিস এফ সীগা শান্নবদা এফ সী গোৱা চাওনা মায়থীবা নংখিবা অদু ইরানগী টিম অদুনা ইন্দিয়াগী ক্লব অসিগী মায়কৈদগী লৈখিবা অশোনবা ফিজিকেল, টেক্নিকেল অমসুং টেক্টিকেলগী মফমশিং অদু খূদুম চনবা ঙমখিবননি।

# রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা নর সিংহ য়াদবনা ওলিম্পিক ক্বালিফায়রগী ট্রায়ল নৌনা পাঙথোক্নবা হায়রকপা য়াখিদ্রে



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী):
মে থাদা বলগেরিয়াগী কোনুং সোফিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং রেষ্টলিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম শরুক য়াবগী মতাংদা রেষ্টলর নর সিংহ য়াদবনা ট্রায়ল নৌনা পাঙথোক্ননবা হায়রকখিবা ৱারোল অদু রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা য়াখিদ্রে।

মশাগী চহী ৩১ শুরবা মহারাষ্ট্রদগী হৌরকখিবা রেষ্টলর নর সিংহ য়াদবকী ওলিম্পিক শরুক য়াবগী মঙলান অদু লোইশিনখি। কুমজা ২০১৫দা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবা নর সিংহ য়াদবনা দ্রগ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপদগী কুমজা ২০১৬কী রিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াবা ঙমখিদবনি। মহাক চহী ৪গী সস্পেন্সন পীখিবনি। সস্পেন্সনগী মতম লোইরবা মতুংদা নর সিংহ য়াদবনা কিলোগ্রাম ৭৪গী কেটগোরিদা নেসনল চেম্পিয়নশিপ অমদি দোমেষ্টিক সেলেক্সন ট্রায়লশিংদা ফজবা ঙমখিদবদগী এসিয়ন ওলিম্পিক ক্বালিফায়িংগীদমক সেলেক্সন য়াওখিদবনি।

মে ৬তগীনা ৯ ফাওবা বলগেরিয়াগী কোনুং সোফিয়াগী ৱর্ল্ড রেষ্টলিং ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা এসিয়ন ওলিম্পিক ক্বালিফায়র অমদি এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুবদা ফজবা ঙমখিদবা সন্দিপ সিংহ মানগী মহুৎতা অমিট ধনকরবু রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ইন্দিয়াগী টিমদা খনখিবনি।

নর সিংহ য়াদবনা নেসনল চেম্পিয়নশিপ অমদি দোমেষ্টিক ট্রায়লদা ফজবা ঙমখিদ্রবসু মহাক্কী টেলেন্ট অদু অমুক হন্না উখোকপা ঙম্নবা অনৌবা ট্রাইয়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোকপীয়ু হায়রকপনি। অদুবু রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা য়াখিদবনি। ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা, য়াদবনা জন্যুৱারী থাদা ৱর্ল্ড রেঙ্কিং সেরিজদা মহাক্কী মায়কৈদগী খূদোংচাবা অমা ফংখিবা অদু শীজিন্নবা ঙমখিদবনি। ইন্দিয়াগী রেষ্টলর ৬ টোকিওগীদমক ক্বালিফাই ওইরি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com